# হীদাক কান্নরবা পাম্বীশিং ঃ কুশ # ২৯৯


— ডা. হুইদ্রোম বীরকুমার —

সী এস আই আর ঃ নোর্থ ইষ্ট ইন্সটিট্যুট
ওফ সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি, লম্ফেলপাৎ


ধর্ম্ম-কর্ম্ম অমদি লাইশোন তিনশোনগা মরী লৈননা শীজিন্নবা অদুবু হীদাক-লাংথক্কী ওইবা মগুণশিংদি থোইদোক হেন্দোক্লা শীংথানীংঙাই ওইনা য়াওবা পাম্বীশিংগী মনুংদা কুশ (Kusha) হায়রিবা পাম্বী অসি থোইদোক্লা মরু ওইবা পাম্বীনি। কুশ পাম্বী অসি ইংলিসতা বীগ কোর্দ গ্রাস (Big cord grass) নৎত্রগা সেক্রেদ কুশ গ্রাস (Sacred kusha grass) নৎত্রগা তোদচ গ্রাস (Todch grass) নৎত্রগা বিখ দাব (Bikh Dab), হিন্দিদা কুশতা (Kushta) নৎত্রগা কুসা (Kusa) নৎত্রগা দাব (Dab) নৎত্রগা দাভ (Dabh), বেঙ্গোলিদা দর্ভা (Derbha), সাইন্টিফিক নৎত্রগা বোটানিকেলগী ওইবা মমিংদা দেসমোসতেকিয়া বাইপিনাতা (Desmostachya pinnata (L.) Stapf.) নৎত্রগা দেসমোসতেকিয়া সাইনোসুরোইদিস (Desmotachya cynosuroides (Retz.) Stapf. ex Massey) নৎত্রগা ব্রীজা পিনাতা (Briza pinnata L.) নৎত্রগা সাইনোসুরস দুরুস (cynosurus durus Forssk) নৎত্রগা দেক্তাইলিস ইন্টরুপ্তা (Dactylis interrupta Rottler ex Stapf.) নৎত্রগা ইরাগ্রোসতিস বাইপিনাতা (Eragrostis Pinnata (L.) K. Schum নৎত্রগা পোৱা সাইনোসুরোইদিস (Poa cynosuroides Retz.) নৎত্রগা পোগোনার্থ্রিয়া বাইপিনাতা (Pogonarthria bipimata (L.) Chiov. হায়না কৌই অমসুং পোয়েসী (Poaceae) শাগৈগী মনুং চল্লি। শাগৈ অসিদা চনবা মরু ওইবা পাম্বী খরদি - ফৌ-পেদি (Oryza Sativa L.), তিংথৌ পাম্বী-দোগ গ্রাস (Cynodon dactylon Pers), চুজাক পাম্বী - মেজ (Zea mays L.), ঈশিং কম্বোং পাম্বী (Zizania latifolia Turcz. ex Stapf.) অসিনচিংবনি। ৱা পাম্বীশিংসু শাগৈ অসিগী মনুং চল্লি।

হালফা গ্রাস (Halfa grass) নৎত্রগা রীদ গ্রাস (Reed grass) হায়নসু খঙনবা কুশ হায়রিবা পাম্বী অসি সেন্টিমিটর ৫০ রোম ৱাংবা নাপী মখল অমনি। পাম্বী অসি চহী খরা পুন্সিবা অদুগা লৈমায়দগী পাম্বী কয়ামরুম পুল্লপ্না চবুন ওইনা হৌগনবা লৈবাক মনুংদা অপিকপা মউ তাবা পাম্বীনি। কুশ হায়রিবা পাম্বী অসি অশাবা ত্রোপিকেলগী লমদমশিংদা য়াম্না মরাং কায়না অমদি পাক শন্না হৌই। পাউদমশিংগী মতুংইন্না কুশ পাম্বী অসি অৱাং থংবা অফ্রিকাগী লমদমশিং, খরা ঈংতক তৌবা অমসুং অশাবা এসিয়াগী লমদমশিং মরু ওইনা ইন্দিয়া, চাইনা, ইরান, ইরাক, ইজরেল, আফঘানিষ্টান, ম্যান্মার, নেপাল, পাকিষ্টান অমসুং থাইলেন্দগী মফমশিংদা মহৌশাগী মওংদা হৌজৈ। পাউদমশিংগী মতুংইন্না কুশ পাম্বী অসি ইন্দিয়াদগী হৌরকখিবনি হায়রি। পাম্বী অসি ইন্দিয়াগী নোংচুপ থংবা অশাবা মফমশিংদা য়াম্না মরাং কায়না হৌজরবসু ঐখোয়গী লমদম মণিপুরদসু অদুমক মরাং কায়না হৌই।

কুশ পাম্বীদগী শাবা ফক অদুদা ফম্লগা লাইশোন তীনশোন তৌবা অমদি মন্ত্র পাবদা য়াম্না কুইরবা মতমদগী শীজিন্নরক্লি। হিন্দু, জ্যেন অমসুং বুধিজম ধর্ম্ম চৎপা মীওইশিংনা কুশ পাম্বী অসি য়াম্না শেংবা পাম্বীনি হায়না লৌনৈ। পাউদম অমগী মতুংইন্না ভগৱান বুধনা মঙাল ফংখিবা (এনলাইটনমেন্ট) ফংখিবা অদু কুশ পাম্বীদগী শাবা ফক অদুদা ফম্লগা লাই নীংখিবনি হায়বসিনি। Huston Smith, Christopher Chapple অমসুং Winthrop Sargeant না কুমজা ২০০৯দা ইখিবা The Bhayavad Gita (Excels for Editions) হায়রিবা লাইরিক অদুদা ভগৱান কৃষ্ণনা কুশ পাম্বীদগী শাবা ফক্তা ফম্লগা লাই নীংগদবনি হায়বগী ৱাফম ময়েক শেংনা পীরি। পাম্বী অসি শজিক ওইনা শীজিন্নরকপগী ৱাফমসু লৈ।

পাউদমশিংগী মতুংইন্না কুশ পাম্বীদা য়াওবা মরু ওইবা ফাইটোকেমিকেল কম্পাউন্দশিং অদুদি - অরুনদ্রোইন (Arundroine), সিলিন্দ্রিন (Cylindrin), আইশোবুর্নিওল (Isoburneol), সিমিএরিনোল (Semiarenol), ফেনিনোল আইশোনোর্বোরিনোল (Isoarborinole) অসিনচিংবনি।

কুশ পাম্বী অসি মখল মখা কয়াগী অনা-লায়েংদা য়াম্না কুইরবা মতমদগী হীদাক লাংথক ওইনা শীজিন্নরক্লি। মনা-মশিংগী অমদি অয়ুর্বেদকী লায়েংদা শীজিন্নরিবা হীদাক মখল কয়ামরুম শাবদা কুশ পাম্বী অসি য়াম্না মরু ওইবা মচল ওইনা শীজিন্নৈ।

কোক ঙাওবা, তূম্বা য়াদবা অমসুং হকচাং শাগৎপদা শীজিন্নরিবা চন্দনারি তাইলা (Chandanadi taila); চাবা তুমদবা, মপূং ফানা তূম্বা য়াদবা, শ্বর নমথীবা, হকচাং কা হেন্না নোয়খৎপা, কোলেসটেরোলগী চাং ৱাংনা য়াওবা অমসুং থম্মোয়গী লায়না লায়েংবদা শীজিন্নরিবা কর্পুরারি অর্কা (Karpooradi arka); হকচাংগী শরুকশিং পংথবা-শিথবা, খ্বাংগী মখা থংবা শরুকশিংদা নাবা (সিয়াতিকা), ঙক নাবা, তাং চাওথোক্তুনা চীকপা-নাবা তৌবা, তোংশা কায়বদা শীজিন্নরিবা ভাতা গজনকুশ রাসা (Vata gajankusha rasa); অঙাংনা খোমজিংলিবী মমানা খোল্লাং মপূং ফানা থোকহনবদা শীজিন্নরিবা লেক্ত গ্রেন্যুল (Lact granule); হক্কী ঈশিং মপূং ফানা চৎপা ঙমদবা, ঈশিং চৎপদা শাবা অমসুং নাবা অমসুং ঈশিং মরীদা নূং লৈবদা শীজিন্নরিবা আসমারিহারা কাছায়া (Ashmarihara Kashaya); হক্কী ঈশিং চৎপদা য়াম্না নুংঙাইতবদা শীজিন্নরিবা মুত্রা ভিরেকানিয়া কশ্যা (Mutra Virechaniya) হায়রিবা হীদাকশিং অসি শাবদা কুশ পাম্বী অসি য়াওদবা য়াদ্রবা মচল অমা ওইনা শীজিন্নরিবনি। হক্কী ঈশিং মরী চাথৎপদা কুশ পাম্বীগী মরা গ্রাম ৫ রোম ঈশিং গ্লাস অমদা শুগাইরগা চাং নাইনা নোংমদা ২ রক পীথকপদা য়াম্না কান্নবগী পাউদম লৈ। অশোক অপন তৌবদা কুশ মরা শুগাইরগা থোম্বদা চৈনা অদু য়াম্না হন্থহনবা ঙম্মী। কুশ মরা শুগাইরগা লৌবা মহী অদু ঈশিংদা নৈখায়রগা পীথকপদা কা হেন্না নোইখৎপা অদু হন্থহনবদা মতেং পাংই। হায়রিবা মহী অদু মীওইবগী হকচাংদা হূ কাবা অমদি ঈ অদু শেংদোকহনবা ঙম্মী হায়বগী পাউদমসু লৈ। হায়রিবা অদু হরা কংখু তৌবদসু থোইদোক্লা কান্নৈ। ●

## ষ্টেটকী পাউ

### সেকেন্দ মাস ভেক্সিনেসন প্রোগ্রাম

ইম্ফাল, জুলাই ১৬ (ঐচএনএস): লংথবাল এ সীগী মনুং চন্না লৈবা নরানকোঞ্জিন ময়ায় লৈকায়গী কম্যুনিটি হোলদা নরানকোঞ্জিনগী ক্লব অহুম সন ফ্লৱর ক্লব (এস এফ সী), নরানকোঞ্জিন স্পোর্টস ক্লব, আইদিএল য়ুথ ক্লব অমদি দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন, ইম্ফাল ৱেষ্ট, সব-দিপ্যুটি কল্লেক্টর, লিলোং চজিংগা খূৎশম্নরগা অনীশুবা মাস ভেক্সিনেসন প্রোগ্রাম অমা পাঙথোকখ্রে হায়না এস এফ সীগী জোইন্ট সেক্রেটরি য়ুম্নাম গৌতমনা থোকপা চেরোল অমদা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা মখা তারদুনা হায়, হীদাক কাপ্পা অসিদা এম এল এ করাম শ্যাম, সোসল ৱর্কর করাম বসন্ত (নবকিশ্বর), লংথবাল কুঞ্জ, সোসল ৱর্কর দিপক লৈফ্রাকপম, মাইবম লৈকায় অমসুং হিয়াংথাং গ্রাম পঞ্চায়তকী প্রধান রোইনা শেলগী মতেং পাংবীরকখি। ভেক্সিনেসন প্রোগ্রাম অসিদা অচৌবা থৌদাং লৌখিবা দিষ্ট্রিক্ট নোদেল ওফিসর, ইম্ফাল ৱেষ্ট, দোক্টর, নর্স অমদি আশাশিংবু হায়নিংঙাই লৈতনা থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

### পণ্ডিত লোয়শঙ ধর্ম্ম রক্ষা সমিটি অনীগী মরক্তা চয়েৎনবা থোক্লিবসি মীৎয়েং চঙলগনি: অমেস্কো

ইম্ফাল, জুলাই ১৬ (ঐচএনএস): হৌজিক হৌজিক গোবিন্দজি টেম্পল বোর্দনা টেম্পল বোর্দ অসিগী কমপ্লেক্স অসি শেমগৎ শাগৎপগী থবক কন্না চথুরকপা মতমদা পণ্ডিত লোয়শঙ ধর্ম্ম রক্ষা সমিটি অনীগী মরক্তা চয়েৎনবা থোক্লিবা অসি ওল মণিপুর ইথনিকেল সোসিও-কলচরেল ওর্গনাইজেসন (অমেস্কো) না লৈবাক মীয়ামগী ইন্টরেষ্টতা য়েংলগা ওইরক্লিবা ফিভম অসি করিনো হায়বগী মতাংদা মীৎয়েং চঙবা হৌরগনি হায়না অমেস্কোগী জেনরেল সেক্রেটরি লকি কোন্সমনা থোকপা চেরোল অমদা খঙহল্লক্লি।

থা অসিগী হৌখিবা তাং ১০দা পণ্ডিত লোয়শঙনা থোক্লকখিবা চেরোলদা হায়রিবনা পণ্ডিত লোয়শঙ অসিগী কুমজা ১৯০৩ দা কংলাদগী হোংলক্তুনা হৌজিক মফম অসিদা লৈরিবসি চহী ১১৮ শুরে। লৈবাক্কী অরুবা তানফমদা য়াইফনবা অৱা-অনা থিদনা হৌজিক ফাওবা মফম অসিদা লালুপ পুন্দুনা লৈবাক্কী অরু-অরুবা লাই অহুম্বু শাগোন্নদুনা লৈঙাক লৈকল তৌদুনা লাই তায়নদুনা ঙসি ফাওবা লৈরিবনি। অসিগুম্বা লৈবাক্কী লুরবা থৌরম কয়া পাঙথোক্লিবা লাইগী খুভমশিং ইবুধৌ পাখংবা, লাইনিংথৌ নোংশাবা অমদি ইমা ইবেম্মা য়ুমচাও লাইরেম্বীগী খুভমশিং অসি মুখৎতুনা মাঙহনবীগনু। মফম অসিদা কাংগী চাকা থমগনি হায়রিবা অসি তায়ওন্নবা খোঙথাংনি।

নাকল অমরোমদা, থা অসিগী হৌখিবা তাং ১৩দা ওল মণিপুর ধর্ম্ম রক্ষা কম্মিটি এয়রপোর্ট রোদ ইম্ফালনা থাদোরকপা চেরোল অমদা ৱায়েৎ পীরক্লিবা মথক্তা পাল্লিবা লাই অহুম ইবুধৌ পাখংবা, লাইনিংথৌ নোংশাবা অমদি ইমা ইবেমা য়ুমচাও লাইরেম্বী অসি গোবিন্দজি টেম্পল কমপ্লেক্স মনুংদা লৈরমদে, পাখংবা পুখ্রি লৈরম্বা হৌজিক্লা মচা লৈমা স্কুল লৈরিবা অসিগী অৱাং থংবা শরুক্তা খুভমশিং অসি লৈরম্মী। মরম অসিনা হান্নগী লৈজরম্বা লাই অহুম অসিগী খুভমশিং থীদোকপীদুনা থম্বীয়ু হায়রি।

গোবিন্দজি টেম্পলগী অস্তাকল সেবা নুমিৎ খূদিংগী চথুরিবা থৌরমশিংদা খুদোংচাদবা থোকহন্দনবা গোবিন্দজি কমপ্লেক্স মনুংদা থম্বীগনু।

অসুম্না থোক্লক্লিবা চয়েৎনবা অসি লৈবাক্কী ওইবা লুরবা ৱাফম অমা ওইরকপনা লৈবাক মীয়ামগী ইন্টরেষ্টতা য়েংলগা ওল মণিপুর ইথনিকেল সোসিও-কলচরেল ওর্গনাইজেসন (অমেস্কো)না খুদক্তগী মীৎয়েং চঙবা হৌরগনি। ওইরক্লিবা ৱাথোক অসিগা মরী লৈননা খূদিংমক্কী মফমদা হায়জরি মদুদি চয়েৎনবা অসি লাইনিং-লাইশোল খেন্নবগী লাল ওন্থোক্লবা নাকল খূদিংমক্লা হোৎনবীগনু। মরম চানা ৱারোইশিন পুরক্লবা হোৎনমিন্নসি হায়খি।

### য়ুমথোঙ ৪০দা চান থক্লবা পোৎলমশিং য়েনখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ১৬ (ঐচএনএস): খুন্দ্রাকপম এ সীগী কন্টেনমেন্ট জোনদা লৈরিবা অৱা-অনা তারবা মীওইশিংদা ডা. কেএসঐচ কালা, ভাইস প্রসিদেন্ট কিসান মোর্চা অমদি কনভেনর মেদিকেল সেল বি জে পি মণিপুর প্রদেশনা বি জে পিগী সেভা-হি-সঙ্ঘথন-২গী মখাদা চান-থক্লবা পোৎলমশিং- হৱাই, আলু, অচাথাও, থুম, চিনি অমদি চা মনানচিংবা য়েন্থোকখ্রে। পোৎলমশিং অদু টাইগর কেম্পকী য়ূমথোঙ ৮ অমদি উয়ুম্পোক্কী য়ূমথোং ৩২গী কোভিদ-১৯ টাস্ক ফোর্স মেম্বরশিংদা পীরম্লে।

ডা. কালানা, মীপুম খূদিংমক্লা কোভিদ-১৯দগী ঙাকথোকপা ঙম্নবা এস ও পিশিং ঙাক্লা চৎপীয়ু অমদি ভেক্সিন কাপথোকপীয়ু। কন্টেনমেন্ট জোনদা লৈরিবা মীওইশিংনা দাইবেটিস, হাইপরটেন্সন অমদি কিদনিগী লায়না লৈরবদি মতম চানা হীদাক চাবীয়ু হায়খি।

কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরে খঙলবদি দোক্তরশিংগা তান্নরগা অথুবা মতমদা হীদাক চাবীহৌ, শ্বর হোনবা ৱারকপা ঙাইবীগনু। য়ুমদা আইসোলেসন তৌদুনা থম্লিবা কোভিদ-১৯গী অনাবশিংনা শ্বর হোনবা ৱাবা য়াওরবদি হোস্পিটালদা পুনবা হোৎনবীয়ু, হান্না টেলিফোন নম্বর ৯৮৬৩৬৬৮১১৩দা কন্টেক্ট তৌবীয়ু। এ সী অসিদা কোভিদ-১৯গী অনাবশিং নোংমা নোংমগী হেনগৎলক্লি। মরম অদুনা মসি থিংবা ঙম্নবা ঐখোয় ময়াম হোৎনমিন্নসি হায়খি।

### হীদাক কাপখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ১৬ (ঐচএনএস): লম্লাই এ সী কোভিদ-১৯ এৱ্যেরনেস ইনফোর্সমেন্ট কম্মিটিগী চেরপর্সন অমদি তেলৌ চানা সৈজাং জে পি মেম্বর এ জামিনি, লম্লাই এ সী কোভিদ এৱ্যেরনেস এন্দ ইনফোর্সমেন্ট কম্মিটিগী মেম্বর, নোঙ্গ্রেন চীংনুংখোক জি পিগী প্রধাণ এম বিলাসিনি অমদি কোভিদ-১৯ সেকেন্দ ৱেভ ফাইটিং টাস্ক ফোর্স বি জে পি লম্লাই মন্দলগী চেরমেন কেঐচ ইবোমচাগী মীৎয়েং মখাদা নোংপোক হৈরোক ভিলেজ দিভলপমেন্ট কম্মিটি, ক্লব অমদি মৈরা পায়বীনা শীন্দুনা নোংপোক হৈরোক কম্যুনিটি হোলদা কোভিদ-১৯গী মাস ভেক্সিনেসন পাঙথোকখ্রে। থৌরমদুদা মীওই ১৭৪ ভেক্সিন কাপখি হায়রি।

### য়ু সী এমনা শীন্দুনা ভেক্সিন কাপথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ১৬ (ঐচএনএস): ঙসি য়ুনাইটেদ কম্মিটি মণিপুর (য়ু সী এম) হেদ ক্বার্টরস, লম্ফেলদা মণিপুর লৈঙাক অমসুং য়ু সী এমগা লোয়ননা কোভিদ ভেক্সিন কাপখ্রে। থৌরম অসিদা য়ু সী এমগা পুন্না চৎমিন্নরিবা সী এস ওগী লুপশিংগী মেম্বরশিং অমদি তোঙান তোঙানবা মীওই কয়াসু কোভিদ ভেক্সিন কাপখি হায়না য়ু সী এমগী আই পি আরনা থোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা মখা তারদুনা, থৌরম অসিগা মরী লৈননা য়ু সী এমগী প্রসিদেন্ট জয়চন্দ্র কোন্থৌজমনা, ইরমদম অসিগী ইরৈচাশিংনা কোভিদ-১৯ ভেক্সিন কাপথোক-পীদুনা লায়না-লাইচৎ অসিদগী ঙাকথোকমিন্নরসি। অদুগা লমদম অসিদা লৈরিবা ক্লব অমদি মৈরা পায়বীশিংনসু মানা-মানা কোল্লিবা এরিয়াশিংদা অচৌবা থৌদাং লৌমিন্নদুনা কোভিদ ভেক্সিন কাপথোকপীনবা হোৎনবীদুনা ইরমদম অসিবু কনবদা শরুক য়ামিন্নরসি হায়খি।

লমদম অসিদা নোংমা-নোংমগী কোভিদ পোজিটিভ ওইবগী চাং ১০০০গী মথক্তা হেনগৎলকপা অমসুং শিবগী চাং নোংমদা ২০গী মথক্তা শিজিল্লকপা অসিনা মরম ওইরগা লৈঙাক্লা লাক্লিবা তাং ১৮দগী চথগনি হায়রিবা টোটেল কর্ফিয়ু অসিদা ইরমদম অসিদা লৈমিন্নরিবা মীপূম খূদিংমক্লা শরুক য়াবীদুনা চপ মান্নদুনা লেপমিন্নসি হায়খি। অদুগা লৈঙাক্লা পীরিবা চৎন-কাঙলোন অসিগী ৱাংমদা পোলিটিকেল পার্টিশিংনা মাগী মাগী থবক থৌরমশিং পাঙথোকপা মতমদা মীওই ৫০গী মথক্তা তিন্দুনা দল্লিয়ু ঐচ ওগী চৎন-কাঙলোন থুগায়রিবশিংসি খূদক্তা লেপ্পীদুনা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ অসিদগী ঙাকথোকমিন্নরসি হায়খি।

মহাক্না মখা তারদুনা রিমস অমসুং জেনিমস হোস্পিটালদা কোভিদ-১৯ ৱার্দ অসি মশিং য়ামখৎহনবা মথৌ তাই। মরমদি লায়রবশিংনা লিংবা লৈবাক অমা ওইবনা নোংমগী শুরগা চাদুনা হিংলিবাশিংগী মরক্তা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরকপা মতমদা বেদ ফংদবদগী অৱাবা কয়া অমা মায়োক্লরিবা অসি কোকহনবীয়ু। মখোয়না প্রাইভেট হোস্পিটালশিংদা চৎতুনা অমদি মীয়ামদা দোক্টর, নর্স কৌদুনা ওক্সিজেন লৈদুনা লায়েংনবগী শেল পুথোক্তুনা লায়েংবা ঙম্বগী পাঙ্গলসু লৈতে। মীয়াম্না লায়রবশিংগী লাইশঙনি হায়না লৌনরিবা রিমস অমসুং জেনিমসতা নন-কোভিদ-১৯ পেসেন্টশিংগী ও পি দি হাংদোকপীদুনা ক্রোনিক দিজীজ লৈবা অমদি খুদক্কী ওইবা অনাবশিং লায়েংবীদুনা লায়রবশিংগী অৱাবা অসি কোকহনবীয়ু হায়খি।

### মাস ভেক্সিনেসন কেম্পেনশিং য়েংশিনখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ১৬ (ঐচএনএস): ঙসি অমুকো অমসুং য়ুকোভিদকী লমজিং মখাদা হাংলিবা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট কোভিদ-১৯ টাস্ক ফোর্সনা মরু ওইবা মফম খরদা পাঙথোকখিবা মাস ভেক্সিনেসন কেম্পেনশিং য়েংশিনখ্রে হায়না য়ুনাইটেদ ক্লবস ওর্গনাইজেসন (য়ুকোভিদ)না থোকপা চেরোল অমদা ফোঙদোরক্লি।

ঙসি য়েংশিনখিবা মফমশিং অদুদি বিষ্ণুপুর ৱার্দ নম্বর-১২, লমলাংহুপি চোথে অমসুং তৌপোকপীনি। লমলাংহুপি কোভিদ-১৯ টাস্ক ফোর্স কম্মিটিগী জেনরেল সেক্রেটরি থাওজোনি চোথেনা ফোঙদোকখিবদা ঙসিগী মাস ভেক্সিনেসন কেম্পেন অসি বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট কোভিদ-১৯ টাস্ক ফোর্সনা মতেং পাংবিবদগী পাঙথোকপা ঙম্লিবনি হায়না থাগৎপা ফোঙদোকখি।

মখা তানা মাস টেষ্টিংসু দিষ্ট্রিক্ট অসিগী ওইনা লৈরিবা টাস্ক অসিগা তানরগা পাঙথোক্লবা শেম-শাদুনা লৈরে হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি। লোয়ননা সী এম ও বিষ্ণুপুরগী ষ্টাফশিংবুসু থাগৎপা ফোঙদোকখি। তৌপোকপী কোভিদ-১৯ টাস্ক ফোর্সকী প্রসিদেন্ট হৈস্নাম কুমারনা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট কোভিদ-১৯ টাস্ক ফোর্সকী রিপ্রজেন্টেটিভশিং লেংবীরক্তুনা অৱাৎ-অপাশিং য়েংশিনবীরম্বগীদমক মহাক্না থাগৎপা ফোঙদোকখি।

ঙসি য়েংশিন খোঙচৎ অদুদা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট কোভিদ-১৯ টাস্ক ফোর্সকী চ্যেরমেন ডা. আই এস কোন্থৌজম, সোসল সাইন্টিষ্ট; টিঐচ নোরেন্দ্রো, কনভেনর অমসুং আর কে রোবিনকান্তা, জেনরেল সেক্রেটরি য়ুকোভিদনা মরু ওইবা মীওইশিংনা শরুক য়াখি।

### উ চারা থাখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ১৬ (ঐচএনএস): ঙসি ইন্দিয়ান কাওন্সিল ওফ এগ্রিকলচর রির্সর্চ (আই সী এ আর) লিংখৎখিবা নুমিৎকা মরী লৈননা আই সী এ আর সোসাইটি, ন্যু দেল্লীগী মেম্বর কেঐচ নবকুমারনা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী নুংঙু, চন্দোলপোকপীগী নহারোলশিংগা খূৎশম্নরগা উ-চারা ২০০ থাদুনা হৌদোকখি।

ঙসিদগী হৌরগা চয়োল অমা চুপ্না উ-চারা থাবগী থৌরম অসি পাঙথোক্কনি। হৌদোকপগী থৌরম অসিদা আই সী এ আরগী ষ্টাফ অমদি কে ৱাই কেগী ষ্টাফশিংদা মাগী মাগী কেম্পসতা উ চারা থাবিনসু মহাক্না আপীল তৌখি। ঙসিগী থৌরম অসিগা মরী লৈননা হার য়ুরিয়া বেগ ২০০, স্প্রেয়র ৫০ য়েন্থোক্তুনা লৌমীশিংগী অৱা-অনা তান্নদুনা মহৈ-মরোং মপূং ফানা লোক্লনবা অখণ্ড অহৈশিং তান্নবগী তঙায় ফন্দবসু পনখি।

### এমসু থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী থৌপুবশিং খনখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ১৬ (ঐচএনএস): মণিপুর মহৈরোয়শিংগী অপূনবা লুপ এমসুনা কুমজা ১৯৬৫ দা ইরমদম অসিগী পুৱারীগা শাগোন্নদুনা শাফোঙলকখ্রবা মতুংদা ইরমদম খুন্নাই অসিগী য়াইফনবা থবক থৌরম ঙসি ফাওবা লেপ্তুনা পাঙথোক্তুনা লাক্লি। মহৈরোয় লুপ অসিনা লীশাং শীৎনা মীয়ামগী য়াইফনবা থবক থৌগাই কয়া লেপ্তুনা চঙশিন্দুনা লাক্লিবা অসিদা মহৈরোয় লুপ অসিগী তোঙান তোঙানবা দিষ্ট্রিক্ট, ব্রাঞ্চ, য়ুনিট অমদি তোঙান তোঙানবা কম্মিটিশিংনা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা লাক্লি হায়না এমসুগী ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি সেক্রেটরি ৱাংখৈময়ূম রিমাকননা থোকপা চেরোল অমদা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা মখা তারদুনা, মহৈরোয় লুপ অসিগী অচৌবা থৌদাং লৌরিবা কম্মিটিশিং অসিগী নৌনা থৌপুবা খনবগী পরিং নাইনা চথুরকপা দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটি থৌপুবা খনবগী শরুক অমা ওইনা চৎলিবা সেসন ২০২১-২০২৩ গী এমসু থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিগী নৌনা থৌ পুনবা মীওই ৪০না শাবা কম্মিটি অমা খনখ্রে।

### হেংজোল ভিলেজদা কোভিদ-১৯ এৱ্যেরনেস পাঙথোকখ্রে




ইম্ফাল, জুলাই ১৬ (ঐচএনএস): 'ৱাখল তামিন্নবা' (ঐখোয় পুম্নমক কোভিদ-১৯ লান্থেংনরিবা লান্নীনি) হায়বা ৱাখল্লোন্না চঙশিল্লকপা কোভিদ-১৯ এৱ্যেরনেস কম পোষ্টর কেম্পেন সেলিন দিজিটেল অমদি এন আর মিদিয়ানা শীন্দুনা মীওইখ্ব ১২০না খুন্দাবা য়ূম ২৩ রোম লৈবা হেংজোল দিভলেজদা পাঙথোকখ্রে হায়না সেলিন দিজিটেলগী ফীল্ড পব্লিসিটি ওফিসরনা থোকপা চেরোল অমদা ফোঙদোরক্লি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা পিঐচ লনজিৎ, প্রোদ্যুশর সেলিন দিজিটেলনা হায়খিবদা, মণিপুরগী ওইরিবা কোভিদকী ফিভম অসি তরাইনা লৌবা চুপ্লোই। ঐখোয় য়াম্না ৱাখল তামিন্নবা চঙই। ঐখোয় পুম্নমক কোভিদ ভেক্সিন দোজ শুনা কাপথোক্তুনা লৈঙাক্লা পীরিবা এস ও পি নীংথিনা ইন্দুনা পূন্না থেংনমিন্নবা মথৌ তাই। ঐখোয় পুম্নমক চেকশিনবগী মথক্তা হেন্না চেকশিনমিন্নসি। অতৈ খুলশিংদসু মখা তানা কেম্পেন অসি চথখিগনি হায়খি।

কেম্পেন অদুদা কেএসঐচ জেমস, এফ পি ও সেলিন দিজিটেল, এন আর রাজেশন প্রোপ্রাইটর এন আর মিদিয়াসু শরুক য়াখি।


**IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, WAIKHONG**

**Ref. Mutation Case No. 391 of 2021**

App :- 1. Huidrom Manjuri Devi W/o (L) H. Tomba Singh of Serou.
2. -do- Ningthemba Singh S/o (L) -do- of -do-
3. -do- Inaomacha Singh S/o (L) -do- of -do-
4. Yumlembam Adition Singh S/o (L) Kaka Singh of -do-
-Vs-
Opp :- (Late) Huidrom Tomba Singh S/o Dewan Singh of Serou.

ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE**
Dated, 14th July, 2021

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংগী মফমদা খঙহঞ্জরি মদুদি ৱাইখোং তাহশিলগী মনুংদা লৈবা খুল নং 94- Serou পাট্টা নং 94/498 & 94/497 দাগ নং. 1176/1533 & 1176/1534 এরিয়া .01 & .085 একর চাওবা ইংখোল অসিগী পাট্টাদার মৃতু ওইখ্রে, মরম অদুনা দরখাষ্টকারিনা মমিংদা পাট্টা নামা পানবীরো হায়না উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎতগী পারগা নুমীৎ ৭ (তরেৎ)নি ফাওবগী মনুংদা উক্ত কোর্ট অসিদা অইবা চেনা ৱায়েৎচে পীশিনবীরক্কদবনি। করিগুম্বা অয়েৎপা লৈত্রবদি হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চথজগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Sugnu
HL-P/9824/17

**IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR: BISHNUPUR**

**Ref. Mutation Case No. 139/SDC/Bishnupur, 2021**

Chingakham Roshan Singh S/o (Late) Ch. Tomba Singh of Bishnpur Ward No. 3 - Petitioner
-Versus-
Late Chingakham Tomba Singh S/o (L) Ch. Manimukta Singh of Bishnupur Awang - Opp. Party

ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE**
Bishnupur, the 16th July, 2021

Under Section 46(3) of MLR & LR Act, 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি মদুদি Chingakham Tomba Singh S/o (L) Ch. Manimukta Singh of Bishnupur Awang দা লৈবগী মিংদা পানবা খুল নং 38-Bishnupur Kha দা পাট্টা নং 14 (অরিবা), 732 (অনৌবা)সি: এস: দাগ নং 12 গী 0.95 ইঙ্খোল/ফৌরেল অসি পাট্টাদার মশা মৃতু ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী Petitioner গী মিংদা নমা ওনবীরো হায়না দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বশিংনা অপাতি তৌনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেনা দরখাষ্ট থারক্কদবনি, মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌরোই, কেস মখা চথগনি।

Sd/- **Sub-Deputy Collector,**
Bishnupur
HL-P/6319/17

**IN THE COURT OF ASSISTANT SURVEY & SETTLEMENT OFFICER-IX, MANIPUR**

**Ref: Mut. Case No. 100/AS&SO-IX/2021**

1. Nongmaithem Niranjan Singh S/o N. Ibopishak Singh of Yaiskul Chingakham Leirak.
2. -do- Nivasan Singh S/o -do- of -do-
3. -do- Nivas Singh S/o -do- of -do- -Petitioners
-Vs-
Late Irungbam (N) Nongmaithem (O) Khuraileima Devi W/o Nongmaithem Ibopishak Singh of Yaiskul Chingakham Leirak -Opposite Party

ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE**
Dt. 16/7/2021

Under Section 46(3) of MLR & LR Act, 1960 গী মতুংইন্না খঙহঞ্জরি। মদুদি খুল নং ৩৮-ৱাংখৈ পশ্চিম ব্রহ্মপুরগী পাট্টা অরিবা নং ৪৭৭ অং অনৌবা পাট্টা নং ২৪২/৫৯৭ দাগ নং ৩৪৮ এরিয়া .০৬ একর চাওবা ইঙ্খোলগী লম অসি পিটিস্নরশিংনা মৃ: পাট্টাদারগী মমিং কক্লগা মখোয়গী মিংদা নামা ওনশিনবীয়ু হায়না কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থাররে। মসিদা ইঙ্খোলগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়ানিংদবা য়াওরবদি পাউচে ফোঙবা নুমীৎতগী পারগা নুমীৎ ৭ (তরেৎ)নিগী মনুংদা অইবা চেনা ওবজেক্সন তৌরবা য়াগনি। নৎত্রবদি য়ারে হায়না লৌদুনা নামা ওনখ্রগনি, তুংদা লাকপা ওবজেক্সন কোর্ট অসিনা অমুক তাররোই।

**Sd/- Assistant Survey & Settlement Officer-IX**
Manipur
HL-P/6325/17

**IN THE COURT OF ASSISTANT SURVEY & SETTLEMENT OFFICER, IMPHAL EAST-III, MANIPUR**

**Ref: Mut. Case No. 147/AS&SO/III Date : 16/7/2021**

1. Angom ongbi Mema Devi W/o A. Chaoba Singh of Wangkhei Khunou
2. Angom Iboyaima Singh S/o Kunjo Singh of -do-
3. Angom Prabhati (Ngoubi) Leima W/o A. Ibotombi Singh of -do-
4. Angom Priyokumar Singh S/o (L) Kunjo Singh of -do-
5. Angom Sunil (Mani) S/o L. Kunjo Singh of -do-
6. Takhellambam Memchoubi Devi W/o Ibotomcha Singh of -do-
7. Waikhom Memton Devi W/o Ibohal of -do-
8. Yambem Abem Devi W/o Jaykumar Singh of -do-
9. Ashem Roma Devi W/o Ashem Basanta Singh of Kadangband Makha Leirak. -Petitioners
-Vs-
Late Angom Kunjo Singh S/o (L) Muhal Singh of Wangkhei Khunou.

ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE**
Imphal, 16th July, 2021

Under Section 46(3) of MLR and LR Act, 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি মদুদি খুল নং. 103-Kongjeng Poila Leikai পাট্টা নং. 48, 80 অরিবা 5 অনৌবা দাগ নং. 115 এরিয়া .30 একর চাওবা ইঙ্খোল অসিগী পাট্টাদার নং. Angom Kunjo Singh S/o Muhal Singh মৃতু ওইখ্রে। মথক্তা পল্লিবা দংকারিশিং অসিগী মমিংদা নামা পানবীরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা মৃ: পাট্টাদারগী মচা-মশুশিং, মরী-মতাশিং অমসুং ইঙ্খোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি লাক্লিবা তাং 24/7/2021 ইং, ফাওবগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা অইবা চেনা দরখাষ্ট থারগদবনি। করিগুম্বা মথক্তা হায়রিবা তারিক অসিগী মনুংদা ওবজেক্সন তৌরদ্রবদি আইনগী মতুংইন্না কেস মখা চথরগনি। মতুংদা লাকপা আপতি কোর্ট অসিনা লৌররোই।

**Sd/- Assistant Survey & Settlement Officer**
Imphal East-III, Manipur
HL-P/6322/17

**IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, WAIKHONG**

**Ref. Mutation Case No. 390 of 2021**

App :- Yumlembam Adition Singh S/o (L) Y. Kaka Singh of Serou.
-Vs-
Opp :- (Late) Huidrom Ibotomba Singh S/o Dewan Singh of Serou.

ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE**
Dated, 14th July, 2021

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংগী মফমদা খঙহঞ্জরি মদুদি ৱাইখোং তাহশিলগী মনুংদা লৈবা খুল নং 94- Serou পাট্টা নং 94/140/602 দাগ নং. 1176/1568 এরিয়া 1.31 একর চাওবা অঙনফৌ অসিগী পাট্টাদার মৃতু ওইখ্রে, মরম অদুনা দরখাষ্টকারিনা মমিংদা পাট্টা নামা পানবীরো হায়না উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎতগী পারগা নুমীৎ ৭ (তরেৎ)নি ফাওবগী মনুংদা উক্ত কোর্ট অসিদা অইবা চেনা ৱায়েৎচে পীশিনবীরক্কদবনি। করিগুম্বা অয়েৎপা লৈত্রবদি হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চথজগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Sugnu
HL-P/9824/17

**GOVERNMENT OF MANIPUR
OFFICE OF THE DEPUTY REGISTRAR
OF SOCIETIES (IMPHAL WEST)**

ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE FOR OBJECTION**
**Imphal, the 16th July, 2021**

**No.Prop/SR/IW/2021:** It is hereby notified for general information that an application have been received by this office from **"Naoremthong Khulem Leikai Shinglup"** on 15/07/2021 for registration under Section 4(1)(2) & Section 5 of Societies Registration Act, 1989 and Rule 5 of MSR Rules, 2004 within the area of operation of **"Naoremthong Khulem Leikai"**.

In the matter, Notice for objection is circulated/notified for information of general public/registered Society/Association/Organisation for submitting/inviting objection if any in writing (ADHAAR of the complainant or secretary with seal for Organisation) to the undersigned against the formation/registration of proposed society/Organisation/NGO within 15 (fifteen) days from the date of publication.

Complaint/objections if not submitted during the mention period, the application for registration in the proposed name of Association/NGO/Organisation may be initiated/considered/proceeded for registration as deem fit under Section 7 (1) (2) of SR Act, 1989 and Rule 6 of MSR Rules, 2004.

Any objection receiving by way of postal service/hand post/special messenger after the above mentioned period will not be considered/entertained. (Further you can contact 9089297211 for any objection/quarry)

*Sd/-* **I. Rajen**
Deputy Registrar of Societies,
Imphal West
HL-P/6900/17